# 'অহল ওইরকপা' - লায়না মখল অমনি'

চহী হুস্ফুগী মথক ওইরবা, গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ী ওইবশিংনা থবক্তগী পোত্থারবা, নুপা-নুপীশিং অদুবু 'সিনিয়র সিটিজেন' কৌনরে। অহল হায়বা ৱাহৈসি শীজিন্নবা তন্নবগুম তৌরক্লে। চহী হুস্ফু হায়বসি, ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, উনশা খুইরবা, চুম্না চৎপা ঙমদ্রবা, চৈশুগী মতেং লৌরবা অহল ওইনা উরকখি। ঙসিদি 'লাইফ ষ্টার্টস এট সিক্সটি' (পুন্সি হায়বসি চহী হুস্ফুদগী হৌই) হায়বা মী ফাওবা থোরক্লে। হায়বদি থবক্তগী পোত্থারবা (রিটায়রী) শিং অসি মশানা মশাবু 'অহল' নি হায়জনীংদবা মী মশীং য়াম্লক্লে। হায়বদি, মীওইবগী 'পুন্সিবগী মতম' মমাঙগী মীরোলদুদগী ঙসিনা শাংবা হেল্লে হায়বনি।

পুন্সি শাংবদি হেনগৎলে, মেদিকেল সাইন্স চাওখৎলকপনা। অদুবু, নুংঙাইবগী চাং (হেপ্পিনেস ইন্দেক্স) তুদি কমদৌরি? ঐখোয় নোংমতা নৈনখ্রবরা? য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা ফিল্ড-ষ্টদি তৌরুদ্রবসু, লৈকায়দা চাউয়েং য়েংবীয়ু - শূবা নোম্বা ঙমদ্রবা, শিন্মী ওইরম্বা অহলশিং; থবক্তগী পোত্থারবা পেন্সনরশিং ... মতম লেনফম খঙদদুনা ঙাওচৎননা লৈরিবা ... মখোয় খরা পূনশিল্লগা য়ুঙৌ থকমিন্নরিবা/জ্বার চে শান্নরিবা... নুংঙাইফম খঙদ্রবা পুন্সিদু তেনশিন্নবা লম্বীদা নুংঙাইবা থিরিবা। লম্বীদুদা চৎপা ঙমদ্রবা, মচা-মমৌ-মশুনসু থওইবীদ্রবা, চৈশুগী মতেং য়াওদনদি চখোক'ঙমদ্রবা কয়া অমসু কৈশুমশঙ ওল্লবা ময়ূমগী ফক্লাং মরিনা কোয়শিল্লবা কাদুদা শিবা ঙাইরি।

চহী মরি-মঙা হৌখ্র'মাল্লে, মায় পাক্লা এন জি ও তৌবা ঐগী মরুপ অমনা ৱাঙবলদা লৈবা মাগী সেন্টর অদুদা পেন্সনরশিংগী ওইবা নেসনল বোদি অমদা য়াওননবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখিবদুদা ঐসু য়াওরুই। চাকলেন য়াওবা মীফমনি। মীফমদুদা য়াওরিবদু থবক্তগী রিটায়র তৌরবা মীওইঙাক্তা ওইরমদে। লৈঙাক্কী থবক তৌরমদবা, অতোপ্পা শিনফম পায়রম্বা কয়া অমসু য়াওরম্মী। নুমিত্তুগী ৱাঙাঙলোই অয়াম্বা, ৱারেঙজরিবা ইশামকসু লৈবাকসিদা চৎনরিবা পেন্সন-রুলস, পেন্সনরশিংগী হোংলক্লিবা মতমগী য়াওনসিদা হিংবা ৱারবা পুন্সি শক্তম অদুতগী ৱারী লীনখি। পেন্সনরশিংগী পেন্সনগী শেনফম (এম এল এ/এম পিশিংগী নত্তনা) লৈঙাক্কী শেঙ্গাওদগী পীবা নত্তে, থবক তৌরিঙৈ, মশা মশানা শেমগৎচরম্বা 'পেন্সন-ফন্দ' অদুগী শেন্দোংনা পীবনি, লৈঙাক্কী থৌজালদা হিংবা নত্তে... অসিনচিংবা।

মীফমদু লোইরগা, চাক ঙাইরিঙৈ, অহল অমনা ইনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা হায়রৈ, 'ইবুংঙো, ৱা অমত্তা হঙ্গৎচবা য়াগদ্রা'?

চহী খরা লৈশিল্লবা মানবদুদা খুল্লুই, 'য়ানি পাবুং! হঙ্গোইবীনু হায়বীয়ু'...। হংনরুবদা খঙলকই, চহী পঙয়াম য়াম্বা নত্তে হুস্ফুতরা মাথোই-নিথোইতমক হায়রল্লি। থবক ৱানা শূরকপনা ওইরমাল্লে, চহী মরিফুগী মথক ওইরবগুম খল্লুরে। মাগী অহানবা ৱাকৎনি - 'অহল ওইরকপগী অৱাবা, হিংবা ৱাবা মতৌসে পেন্সনরখক্তগী নত্তে, ইপাঙ্গল ফরিঙৈ শূ-নোমদুনা ইমুং পুরকপা, ইচা-ইশু শেন্নকপা, শূবা-নোম্বা ঙমদ্র'কানসিদনা খূত্তা শিকি পায়দনা, ৱানা শিবা ঙাইরিবা ঐখোয়গীসু খরা ঙাওবীয়ু'...। থুক লাউখি থম্মোয়দা। চৈনা পাল্লবা অমগী চৈনাখোলনি। নাকন্দা তোঙান্না থৈদোক্লগা মাগী ৱারী লীহনখি। মচানুপা ঙাক্তা অহুম পোকই হায়। অহলদুনা দাক্তরনি, দাক্তর নুপী অমা লৌরগা ইম্ফালদা লৈখ্রে কোনুংগুম্বা য়ূম অমদা। অনীশুবদুনা কোলেজ ওজা! মহাকসু য়াওং ইনখ্রে, থবক তৌবী নুপী অমগীদা। মরক মরক নীংশিংলকপা নত্তনা লাকখিদ্রে। শাগৈ ওনখ্রে। মচানুপা অতোনবা, থৌবাল কৈথেলদা দুকান ফম্বদুনা মহাকপু কোল্লি। মতৈ মনাও চঙদুনা ফম্বা দুকান্নিনা, মমৌ নুপীদুনসু হোবে হোবে চাক থোংদুনা, মাগী শরুক খরা তমদুনা ফমুং মনাক্তা থল্লম্বদু, ৱা-লান ঙাঙদনা চাক্লিবদা পীবদুগা চাংদম্নুনা পাউ তম্মী। 'পাবুং করি চানীংই' নোংমতা হংদে হায়। কয়ারক হন্না হায়র'কান্দা লৈরকপা গুলিদু চানবা ঈশিং পীরম্মু হায়রুবদা 'ঈশিংদুফাও লৌরগা থকপা ঙমদ্রবরা' - ইশৌ লাংনি খল্লুবদা ঈশিং য়াওদনা চাবা কয়ারকসু য়াওখ্রবনি। খ্বাইদই থম্মোয় শোকপদি, মচানা নিংঙাই তৌবদগী লৈরকপা লুপা লাখ পীবা হুইজাওদুগীদমক মখোয়না হোৎনরিবা, নারকপদা ৱাজরিবা, অখন্নবা অতাঙবা মচিঞ্জাক লৈদুনা পীজরিবদু উবদা ... 'মথংগী মপোক অদুদদি হুই ওইনা পোক্লুরগে'... হায়রকপদু তাবদনি। খনখি - মহাক্কী ৱারীদু অচৌবা ৱারী অমা ওইনা ইথোক্কে।

মচা-মশু ওইবশিংনা মপাবু নুংশিন-চান্না লোয়নবীবই মহুত্তা পোৎলুম অমনি খন্নবদই থোক্লকপা প্রোব্লেম অদুদগীনি 'ওল্ড এজ হোম' হায়বা কন্সেপ্ট অমা পুথোরক্তুনা নন-ভর্ণমেন্ট ওর্গনাইজেসনশিংনা অহল ওইরবশিংগী 'চঙজফম' (ঐদি য়ূম হায়নীংদে) লিংখৎনরক্লিবা। চাক চরা অনীখক পীজবা, পোত্থাফম অমা পীবিবদুখক নত্তে অহলশিংদুই অপাম্বা। মদুমদি কনানসু খঙবীদে।

অদুগা, মিনিষ্ট্রি (দিপার্টমেন্ট) ওফ হেল্থকী মীৎয়েংখাদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংদা পেদিয়াত্রিক (অঙাংশিংগী) ৱার্দ থম্বগুম গভর্ণমেন্ট-হোস্পিটালশিংদা 'জেরিয়াত্রিক' (অহলশিংগী) ৱার্দ অমা, পোলিসি ওইনা হাংদোকহন্নীংই। চাওখৎলবা লৈবাকশিংদদি মসি তৌদবা য়াদ্রবা অমনি। জেরিয়াত্রিক ৱার্দ, অঙাং ওইরিবা অনাবশিংগী লৈফম, 'পেদিয়াত্রিক ৱার্দ' কুম্বা নত্তে। তীনচেন্নবা/লায়চেন্নবা অহল ওইরবা অনাবা খক্তগী লৈফমদু নত্তে হোস্পিটাল অমগী জেরিয়াত্রিক ৱার্দ।

'অহল ওইরকপা' - হায়বসিমক অনাবা মখল অমনি- মমীৎ উশিল্লক্তবা, তাবই শক্তি ৱাৎলকপা, কাউগনবা, চাব'-চীলহাও থিরকপা, হকচাংগী ইন্দ্রিয়শিং শোল্লকপনা মপাঙ্গলসু শোল্লকপা। জেরিয়াত্রিক হায়বগী ৱাহন্থোকসু মদুনি। চাওখৎলবা লমশিংগী হোস্পিটালদা অসিগুম্বা ৱার্দ লৈ খঙবসি, চৎলুরগা থেংনরকপা নত্তে। ওষ্ট্রেলিয়াগী নর্সিং হোম অমগী 'জেরিয়াত্রিক ৱার্দ' তা কনা লৈজদ্রবা অহল অমা লৈখিদবদা, অহলদুগী মপোৎ-মচৈ করি হুন্দোক্লম্বগে য়েংলুবদা, মহাক্কী কপ-বোর্দ অদুদা অইবা শৈরেং অমা ইদুনা থম্লম্বগী ৱারীদু পারুবদই খঙবনি। মহাকপু ফমশেন্নখিবা নর্স'তুদা চৈবোই-থাংবোই তৌদুনা অপান্ননা লীরম্বা ৱারীনি। মশাগী ... মহাক্কীসু লৈরম্মী - নুংশিরবা পুন্সি খোঙলোই, মচা-মমৌ-মশুনুপা ... পুন্সি তোরৈ অসিদা হুন্দোক্লমখি লোয়নবীনা, নুমিৎ-থাগুম য়েংজরম্বা মশুদসু পুদুনা চৎখি মমা-মপা অনীনা অতোপ্পা সহর অমদা নৌনা শাবা পুন্সি মহুম অদুদা, থনল্লগা মহাকপু নর্সিং হোম অদুদা। 'ঐবু চারম-থক্লম খঙদবা, মথোঙ হুক্তবা অহল অমনি খনগনু' - অহলদুগী ৱাকৎনি মচাগুম্বী নর্সতুদা। থম্মোয় শোক্লবা নর্স অদুনা শৈরেংদুগী কোপি অমমম নর্স খুদিংমক্তা য়েন্থোকখি। মেলবোর্ন'দগী নর্স অমনা জর্নেল অমদা শিন্নদুনা খৃষ্টমাষ্ট ইদিসন অমদা 'ক্রেঙ্কি ওল্ড মেন' হায়না মিংথোন্দুনা ফোঙলকখি। মালেম শীন্না চাইথোরকখি। শৈরেং অদু মীতৈলোন্দা হন্দোক্তুনা কোল্লমসিমক্তদা ফোঙজখ্রে। শৈরেংদুগী ৱারীনি 'ৱাঙবলগী মীফম' অদুদা লীজখিবা। ৱারীদুনা লীহল্লকখিবনি 'হুই ওইনীংলবা' অহলদুগী ৱারীসু। ঐঙোন্দা লৈহৌরিবা ৱারীদুগী 'মখাক' না - 'জেরিয়াত্রিক ৱার্দ' হায়বা লমদমসিদা উগে ফংলরোইদবা ৱাহৈ অমা।

অহল (সিনিয়র সিটিজেন) হায়বা কাঙলূপ্তুদা চল্লবা, পুন্সিগী অনৌবা তাঙ্কক অমদা খোঙ থাংজিল্লক্লিবা, মাঙদা চৎপীরল্লবা পূন্নমক্তা পাউজেল অমত্তং পীজনীংদুনা ইরিবনি ৱারেংসি। ইশানা চুম্মী খঙলবসু, কনা পাউতাক পীগে খনবীরুনু ... অদোম্না পীবা মত অদু কনাগুম্বনা লৌগনি হায়বা শেরান্নবা ৱাখলদু কৈদৌনুংদা খনবীরুনু... ইশাগী অৱাবা ৱারী, নীংবা থুংদবা-নীংঙমদবা কনাদসু লীথোকপীরুনু ... নুংশিনা, পাম্মুনা য়োক্লকখিবা ইচা-ইশু-ইনাও কনাদগীসু নুংশিবই মমল পাল্লুনু, মচা-মশু-শুথাংদগী খোল্লাং-লমন পাল্লুবা, তৌবীমল খঙদবা মমা-মপানি খঙবীয়ু ... উনশা খুইরবী, ময়া য়াওদ্রবী, ঙাঙগনবী হনুবীদুগীদমক খনবীয়ু, কাউবীনু - মহাকসু মতম অমদা থম্মোয় হূবী ওইরম্বনি, মহাক্লা পাম্মুজরিবসু নহাক্তনি নীংশিংবীয়ু ... হৌখ্রবা পুন্সিদুগীদমক্তা কৈদৌঙৈদা অনুতাপ তৌগুমসি, ইচাগীদমক্তদি মমা/মপা ঐহাক্লা লৈজবমখৈ কথোকখিবনি নীংশিংসি।

*-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার*

# পুন্সিগী ঈথক ঈপোম মরক্তা 'মৈ ঈশিং নুংশিৎ' শৈরেং লাইরিক অসিনা করি হায়নীংলিবা : মীৎয়েং অমা




লাইরিক্কী মমিং :-
**মৈ ঈশিং নুংশিৎ, ২০১৬**
অইবা :-
**নোংমাইথেম কিরনকুমার**
অফোঙবা :-
**দ কলচরেল ফোরম, মণিপুর**
লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**
লাইরিক্কী মমল :- ২০০/-
লাইরিক্কী লমায় মশীং :- **১১৮**




পোক্লফম লমদমদগী হেন্না নুংশিবা লমদম অমা মালেমসিদা অনী শুনা লৈরল্লবদি পুৱারীদা থোক্লখিবা অচৌবা লাঞ্জাওশিং, লৈবাক অমগা অমগগী মরক্তা মুক্লরিবা পূম্নমক লৈরমদবসু য়াই। ইমা লৈবাক হায়বসি অনী শুদবদুনা ইমা লৈবাক্কীদমক লান শোক্লরিবনি। ইমা লৈবাক্কী ঙমখৈ ঙাক্লবা হোৎনরিবনি। ইমা লৈবাক্কীদমক অথৌবা মচাশিংনা থৱায়না পোন্থা পীদুনা নীংতম্বা পুরক্লরিবনি। মালেমসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লোনগী অশৈবা কয়ানা মমা লৈবাক মরমদম্বু শৈথাদুনা ইবা শৈরেং অসি ওন্থোক্লা য়াম্না লৈ। মসিদা অশৈবা কবি অমনা ইবা নেসনেলিজমগী স্পিরিট চেল্লবা শৈরেংশিং অসি অমনা অমদগী করিসু ফজবা হেনবা নৎত্রগা মগুণদা তাবা নত্তে। অমুক্তং তাঙনা পোক্লকপা মীওই মপোকসিদা পোক্লফম লমদমগী নীংথিজবা শক্তম্বু শৈথাদুনা ইবা হায়বসি অশৈবা খুদিংমক্কী পূক্নিংদা ফাওদবা লৈরল্লোই। নোংমাইথেম কিরনকুমারসু ইরক্লি নুংঙোল্লবা লমদম অসিবু শৈথারদুনা, "য়েংঙু য়েংঙু খুদিং নুংঙোল্লি/চীংলোন নাপোম তাংথকশিং/ঈংনা চেল্লিবা তুরেলশিং/ইপোম হৌরিবা লৌবুকশিং/আহ! অতিয়ানা কল্লকচবা/ঐগী পোক্লফম লমদমনি।/... কুম কাংদে লৈকোলসু/নোংজু থাদা খোঙ্গুমেলৈ/লাংবন থাদা লৈবাক্লে/আহ! বসন্তনা কল্লকচবা/ঐগী পোক্লফম লমদমনি..."

অইবা নোংমাইথেম কিরনকুমার কুমজা ১৯৫৭তা য়াইস্কুল মোইরাংখোম চীঙাখম লৈরক্তা পোকই। মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টতা এ ঈ ওইনা থবক্তগী পোত্থারে। ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী শকখঙলবা ঈশৈ ময়েক ইবা অমসুনি। মণিপুর লিটরেরি সোসাইটিনা মহাক্কী অহানবা শৈরেংগী লাইরিক "ঐ ঈশৈ শৈরেং" সু ফোঙখিবা লৈরে। "মৈ ঈশিং নুংশিৎ" লাইরিক অসিনা মহাক্কী অনীশুবা শৈরেংগী লাইরিকনি। মণিপুরী খোরিরোলগীদমক কথোকপা অমগা লোয়নননা থবক থৌরম কয়া লেপ্তুনা সাহিত্য একাদেমি, ন্যু দেল্লীগী মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দকী কনভিনর ওইদুনা চোকথবা লৈতনা হোৎনরি। দাইনামিক ওইবা অইবা অমসুনি।

"মৈ ঈশিং নুংশিৎ" হায়রিবা লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ১১৫ য়াওরি। শৈরেং অয়াম্বা লভ পোইমস ওইনা তৌই। অদুবু তেন্তক তেন্তকপা শৈরেংশিং অসি ঈশৈ ময়েক্লুম্না সুর পান্দুনা শকপা য়াবা কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। শৈরেং অয়াম্বদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিং, ৱাহৈ পরেং খরতনা ৱাহন্থোক ফজনা পীবা ঙম্বদা নত্তনা ভিজুএল ইফেক্ট অমসু য়াওহল্লি, "নোংমা লাংবনগী য়াচংবদা/মমশিল্লকপা সহরদা/লম্বীদা মদোম থেংনখি/শকখঙদবী নুজা অমা।/তাথখ্রে কোরৌদি ঙান্থোরক্লে অতিয়া,/মাসু লম্মাংনরবী/ঐসু ককঙাওনরবা।/অতিয়াদা থাজসু ওলাং মৈশা খাংলম্মী/মাসু মৈশা লাংলবী/ঐসু মৈশা লাংলবা।" ওলাংথা ওইরিবা লাংবন নুংশাগী মৈশা পুশিল্লক্তুনা চাংদম্নদুনা পুখৎলক্লিবা ইমেজরি অসিনি ফজরিবসি। থম্মোয়দা লাৎচদুনা লাকচবী কনাগুম্বী অমবু কাউঙমদনা লাকখিগদ্রা হায়না থাজনা ঙাইজবা পুন্সিনা মথোৎ কারকপা মতমগী শক্তমনি মসিদা উরিবসি। মসিদা কবি মশাদা থোকখিবনি হায়না ঙাক্তা উবসু য়াদ্রি। মরমদি পোইটিক ইন্সপিরেসন হায়বসি অতোপ্পা মীওইশিংদা থোকপা থৌদোকশিংনসু মচাক কয়া পীদবা নত্তে। অদুবু খরা হেন্না কুপথনা মহাক্কী শৈরেংশিং অসি পারকপদা থেংনরিবসি নুংশিবা হায়বা অসিনা পূম্নমক চেৎলবা লংলা ওইদুনা পুনশিনবা পাম্বগী পূক্লিং ইহুল অমদি অপাবশিংদা শোয়দনা ফাওহল্লি। নুংশিবা হায়বসি লৈরমদ্রবদি অসি য়ৌনা ফজবা ৱাহৈশিং অসি থোক্লক্তবসু য়ারি। কবিনা শৈরেং অয়াম্বদা লাংতক্লবা অমগা লোয়ননা হেক হেক ঙাইরিবসি শৈরেংগী লাইরেন্বী মহাকপু ওইরিগদ্রা হায়না খন্দবা ঙমদে।

হিংবগী আশা মরক্তা নুংশিবা হায়বসিনা লৌরিবা মমল নাইদ্রবা মফম অদু নঙগী নুংশিবনা ঐগী হায়বসিনা য়েংবা য়াই। 'নঙগী নুংশিবনা ঐগী/থম্মোয়বু লৈহাও চেলহল্লি/হকচাংবু লৈহাও চেলহল্লি,/শিরসু ঐগী মংফম/লৈবাক লৈহাও চেল্লনি।/নুংশিবা খঙলবা লৈঙোই লৈরিক/ইচম চম্লরোই লৈবাক লৈহাও, হৌরকপা পাম্বী পূম্নমক/ফজবা মপাল শাৎলনি/নুংশিবা লৈনম য়েল্লনি।" শৈরেংসিদা পুশিল্লক্লিবা ইমেজরিশিং অসি অমুক্তং কূপ্না পাদুনা য়েংবীয়ু। মালেমসিদা লৈরিবা অচৎ-চত্তা, লেংলি-পাল্লিবা পূম্নমক, মহৌশা অকোয়বদা লৈরিবা পূম্নমক নুংশিবা হায়বসিনা কয়াদা ফজহল্লিবা, নুংঙাইহল্লিবা। পূম্নমক অসিবু লাইরেন্বী অমগুম্না কবিনা লাৎচরি। পুন্সিগী ঈথক ঈপোম অকনবা কয়া মরক্তা হিংনীংবগী আশা পীরিবী মহাকপু নীংশিংদবা ঙমদে। অদুনা হায়রক্লি, "ঐগী থম্মোয় ঈপাক থন্না/শাৎলনি থম্বাল মশীং খঙদনা..."

নুংশিবা হায়বসি করিগুম্বা মতমদা মাঙখ্রবদা মহাক্কী মতিক ময়াই অদুবু খঙনীংনা শোল্লক্লি, নুংশিবা নঙগী নশুংলাং হায়বা শৈরেংসিদা। "নুংশিবা নঙগী নশুংলাং/অৱা মৈচাক খাঙজগে,/নঙবু অমুক্তং খঙজনবা/থম্মোয়সে চাম্মরক কায়জগে।/য়ুনি কিনবা তিংখংলৈ/ঐগী থম্মোয়দা শাৎসনু/নঙগী নশুংলাংগীনি,/কুমগী নোংনা কাংখ্র'সু/নঙগী লৈখোঙ পাথোকনা/চাইনি থম্মোয় ঈরিকনা,/নঙবু অমুক্তং খঙজনবা/থম্মোয়সে চাম্মরক কায়জগে।" কবিনা থিরিবা নুংশিবসি নকশিনবসু য়াদবা লাপথোকপসু ঙমদবা মখলগী নুংশিবা অদুনি হায়না লৌবা য়াই। চোংলিবা মিহুল অসিনি নুংশিবা হায়না মহাক্লা ইতৎ তত্তনা শৈথারিবসি অমদি মসি পুন্সিবু ঙাক শেল্লিবা নুংশিবা অদুনি হায়না লৌবসু য়াই। করিগুম্বদা লভ পোইমশিং অসিদা উরিবসি নুপা নুপী অনীগী মরক্তা লৈরিবা অদুগা পাখঙ লৈশাগী ওইবা অদুগুম্বা নুংশিবা অদু ওইনসু ফাওদবা নত্তে অহানবা পাবদা য়াম্না থোৎপা মেংবা ৱাহৈশিংনা অয়াম্বা শৈরেংশিংদা চরৈ নমথাং ফজবনা হকচাংবু লৈতেংবগুম্না ফজবা শৈরেংগী পরেং কয়া য়াওরি। ৱাহৈশিং চম্না চংখোল্লি। "থাবল্লে মনম্না ইপোম হৌরি, নীংশিংলক্লি নঙগী মায়থোঙ থাজদো।/মহৌশানা ঐবু তম্বীরি শৈরেং/নীংশিংলক্লি নঙগী কুমগী পাউজেলদো।/লমদানা পুরক্লি য়াওশঙগী মপাউ/নীংশিংলক্লি খূজেংদো চোংখিবা থাবলদো। শিন্থরক্লে পিরাং মিৎলুদৈ লেপ্তুনা/নীংশিংলক্লি নোং থুপমিন্নখিবা উখোঙদো।" অসিগুম্বা তেন্তকপা শৈরেং কয়াসু য়াওরি।

নুংশিবগী শৈরেং ময়াম মরক্তা য়াওরল্লি নীংতম্বগী শৈরেংসু। নীংতম্বা হায়বসি মীওইবগী হক অমনি হায়রবসু মসিবু মখূৎতা লৈবাক্কী চুক্লি পায়শিন্দুনা মখোয়না অপাম্বা মওংদা শীজিন্নবা অদু থম্মোয়দদি য়ানীংদে। মীওইবগী নীংতম্বা হায়বসিগী খোল্লাউসিবু কবিনা লাইশঙগী কাংশি খোঞ্জেল নত্তে/লানগী পাউনি চেল্লিবা হায়না ইরক্লি "লেপ্পা লৈতনা খিংলি কাংশি/মায়কৈ মরি থক-খা/চেল্লি লানবাউ অনৌবা য়াওলগী/পীরি পাউজেল মীওইবগী হক্কী।" ঙসিগী মালেমসে মীওইবগী হক অমদি নীংতম্বা হায়বসি হেক হেক খোঙ্গাওনবগী থৌদোক কয়া ইতৎ তত্তনা থোক্লি অদুনা কবিনসু অসিগুম্বা মীওইবগী হক অমদি নীংতম্ববু ইকায়খুম্নদ্রিবা মখোয়গী মথক্তা য়াওলগী অপূনবা থৌনা অদু উত্তুনা অমম্বগুম্না কুপশিল্লিবা মীওৎ মীনৈ, মীনা মীবু ইকায়খুম্নদ্রিবা অসিবু মাঙহন্নবা পাউজেল পীরি।

মহৌশা মালেম অসিদা তাংজদুনা হিংলিবা মীওইবনা খন্থরুদবা মীকুপশিংদা প্রকৃতিসিদা মাঙহন তাকহল্লিবা পূম্নমক অসিগীদমক তশেংনা নীংদোল পোমজৈ, হয়েংদি করি ওইহৌগনি হায়না খল্লুবা মীকুপ্তা। করম্নদি ৱাদবা ঙমগনি। মালেমসে অঙকপা ফংবা হোংলে। মহৌশাগী খল কয়াম কায়রবগে হায়বসি ঙসিগী মীরোলনা হকথেংননা থেংনরবনি। লাইরিক হৈবদি মাল্লগা, ৱাখল খনবদি শারগা তৌথোক্লক্লিবা থৌওংশিংনা তাক্লিবদি য়ৈখাই থিনগায়বা ঙাক্তা ওইনা তৌরি। অদুনা কবিসু মীপায়জরি মহৌশা মালেম মহাক্কীদমক। অদুনা তেংথারক্লি নিংথমথা অমখক লেন্নবা হায়না মিংথোনবা শৈরেংসিদা। "নিংথমথা অমখক লেন্নবা/য়ান্থদুনা চিংথখি নুংশি হৈতনা/অহল ওইরবা উজাও কয়া/কুইনা খঙনরক্লবা চীংমায়দুদগী।/মতম কুইনা শাইদাংলবা/পোম্বী চেক্লা জুরা কয়া/চাক্তারুবৈ হল্লকপদা/মহূম পোঞ্জেল থিবা খঙদ'/য়াচংবদা ককঙাওনখি। মকা লাম্না নোকচরম্বা,/উরি ৱারী খোঙ্গুমেলৈ/তেংথাদুনা কেনখি লৈমায়দা,/চীংজুম ঈফুৎতু ময়াং কংখি/কনানসু উবীদনা কনানসু তাবীদনা/... চহী য়াম্লবা মালেমসে/কংশিল্লক্লি শিয়োমনুং/লী ৱারী তুরেলনা/শাই ৱারী উমংনা/তাবিদ্রবা মখোয়গী ৱাকৎ/কংজরনি হায়রি মখোয় অদুম্মক।" ঐখোয় কনাসু নোংমতা খন্থরুদে মালেমগী শিয়োম্নুংসে তপ্না তপ্না কংশিল্লক্লি হায়বসি। শৈরেং অসিনা অপাবশিংদা শোয়দনা ৱাখল খন্থহনগনি। করিগীদি ইরোই মহৌশা অমদি মালেমসিগী। মহাক্কী ঈশিং নুংশিত্তা, মহাক্কী লৈবাক লৈহাওদা পাল্লিবা মহৈ মরোং চাদুনা হিংলিবা মীওইবনা। ইকো পোইমস অসি ইদবা য়াদবা হীরম অমসু ওইরক্লি। লাইরিক অসিদা ইকোপোইত্রিগী লম্‌দা হেন্না কূপ্না নৈনবা য়াবা শৈরেংশিংসু য়াওরি। মিংথোল ওইরিবা "মৈ ঈশিং নুংশিৎ" হায়রিবা শৈরেং অসিমক য়াম্না ফিলোসোফিকেল ওইবা অমদি স্পিরিচ্যুএল ওইবা শৈরেং অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে। শেম্বীবা মপু অমা লৈ হায়বসি মীওইবা অমা ওইনা য়াদবা ঙল্লোই কনানসু। পোকপা শিবা অনীগী লাংদাইদা হিংলিবা মীকুপ খরগী কাওশিংগুল্লবা পুন্সিনা তাইবঙগী অথুপ্পা কয়া অসিবু খঙনবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদে হায়বসিনি। অদুনা ইরক্লি, "মৈ ঈশিং নুংশিৎ/অতিয়া মালেমগী অরোনবা/নঙগা ঐগদা লোৎলিবা/নঙগা ঐগনা ফোঙলি/মীৎয়েংগী ৱাংমদা লোৎলিবা/তাইবঙ মপুগী খূৎশেমদো/নঙগা ঐগদা লোৎলিবা/নঙগা ঐগনা ফোঙলি/মাগী ঈঙ্গিৎতা চৎলিবা/অয়ূক্লা নুমিদাং ওইখ্রিবা/কোরৌহনবগী খোঙচৎকী/শাক্তিনি নঙ ঐ।/মৈ ঈশিং নুংশিৎ/অতিয়া মালেমগী অরোনবা/নঙগী ঐগী হৌফমনি/নঙগী ঐগী হন্নফমনি।"

অহৌবা অমসুং অরোইবা নাইবা মীওইবগী পুন্সিনা নীংজরিবা, পামজরিবা, হিংবগী ৱাহন্থোক অমদি ফংনীংলিবা পূম্নমক শৈরেংগী মেদিয়মদা অসুম্না লেপ্তুনা ইবিরক্তুনা মণিপুরী খোরিরোলদা শৈরেং লাইরিক কয়া খুদোল তম্লকখিগনি হায়না অইবগী মফমদা থাজবা থমজরি।

*— তোংব্রম অমরজিৎ*

# যোদ্ধচন্দ্র সনসমগী ঈশৈ ময়েক্তা তারিবা মমি - ২

অন্তরা অসিদা "থানিলগী থাবল লৈহীসে, থম্মোয় থন্নবা থকসি লাউ", হায়বসিদা ৱাফম অসি থোরকই মদুদি মসিনি নুপীসু নুপাসু মীনি, থম্মোয়দা খেন্নবা লৈতে, থৱায়দা খেন্নবা লৈতে, পূক্নিংগী ঈহৌসু খেন্নবা লৈতে, খেন্নবা লৈতবা অনীসিদা খেন্নবা অমদি লৈ, মদুদি জীবগী মরম মঙানা শাবা হকচাংসিদনি। মসি মীওইবদা নত্তে অতৈ জীবশিংদসুনি, মসিদগীনি পূম্নমকসি ওইরক্লিবা।

অনীশুবদা লৌখৎচগে - "ঐসু খুদোল তমজনীংখি" হায়না শৈহৌবা ময়েক অসি।

ঐসু খুদোল তমজনীংখি
নঙনা চৎখিবা মতমদুদা
নতারোইশিংবু থনমদুনা
কৈরোই লৈকায় থাদোকখিবা॥
ৱাখল অমগী ইরৈনুংদা
অঙাওবগুম লৈখি ঐনা
খুদোল অমত্তা পীখিদরে
ৱাহৈ অমত্তা হায়খিদরে
নঙগী চান্ন' মরুপ ঐনা॥
ঙসি ঐনা ইদোম শোল্লি
নঙগী য়াইফ নুংঙাইবা ওইয়ু
ঐগী পুন্সি লেমহৌবসে
লোইদ্রিফাওবা হিংলমখিগে
নীংশিংবগা শান্নদুনা॥

মসিনা অইবগী ওইবা সবজেক্টিভনি। মথক্কী অসিসু সবজেক্টিভনি, অদুবু অনী অসিগী মশক্তি খেন্নে। মশা মশানা হায়রবনিনা অনীমক মশা মশাগা মরী লৈনৈ। মসিদা খেন্নরিবসি অমনা কোমেদিনি; অমনা ত্রেজিদিনি কন্সেপ্টসু খেন্নে। কায়নবগী অৱাবদু খাঙফম খঙদ্রবা থম্মোয়না লৌথুপ-লৈকোই লৈতনা নীংঙমদবা অমগা লোয়ননা ফোঙদোক্লকপনি।

ঐসু খুদোল তমজনীংখি
নঙনা চৎখিবা মতমদুদা
নতারোইশিংবু থনমদুনা
কৈরোই লৈকায় থাদোকখিবা॥

"নতারোইশিংবু থনমদুনা কৈরোই লৈকায় থাদোকখিবা" হায়রবনিনা লুহোংখিবনি হায়বসি ময়েক শেংনা লৈরে। অসুক নুংশিজরবীসিদা তমজনীংবা খুদোল করিগী তমখিদ্রিবনো? করিগী ৱাহৈ অমত্তা হায়খিদ্রিবনো? মসিনি ৱাহং, ৱাহৈ অমত্তা হায়খিদবগী মরম, খুদোল অমত্তা তমখিদবগী মতাংদা অসুম্না ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লকই।

ৱাখল অমগী ইরৈনুংদা
অঙাওবগুম লৈখি ঐনা

ফোঙদোক্লক্লিবা ৱাফমসিদা মৈচাকসে অদুম খঙলে। লিন্না চিক্লবা মীতনা লিনগী হু খঙগদবনি হায়বদুনি। থৱায় শক্লা নুংশিজরবীদুনা থাদোক্তুনা চৎখ্রবদা, থম্মোয়দগী থৱায় অমা শেৎখিবগী চৈনাদুদা ঙাওরোইদবসি লৈফম থোক্তে, অদুনা মাগী সংসার অমা পুম্মম মমখরবনি, মদুনি ৱাহৈ পরেং অনীসিদা ফোঙদোক্লক্লিবসি। মশানা মশাবু খঙজদ্রবা ফীভম অদু য়ৌখ্রবনি। কায়নবগী পুংফমদুদা বিদায়গী ৱাহৈ, তমজনীংবা খুদোল, পূম্নমক অমম্বদা লাকশিনখ্রবনি।

অরোইবা অন্তরাদা অমুক অসুম্না মদোম ফোঙদোক্লকই

ঙসি ঐনা ইদোম শোল্লি
নঙগী য়াইফ নুংঙাইবা ওইয়ু
ঐগী পুন্সি লেমহৌবসি
লোইদ্রি ফাওবা হিংলমখিগে
নীংশিংবগা শান্নদুনা।

মতাং অসিদদি মপানগী ৱাখল লাক্লে, কয়াদা থম্মোয় শেংনা নুংশিনখিবগে হায়বদু, বিদায়গী মতমদা হায়হৌদ্রবা ৱাহৈশিং, কায়নখ্রবী মঙোন্দা নুংশিনা হায়রক্লে "ঙসি ঐনা ইদোম শোল্লি, নঙগী য়াইফ-নুংঙাইবা ওইয়ু" অমকপা অমত্তা পক্ত্রবা নুংশিবা, অদুগুম্বা নুংশিবদু, থম্মোয় শেংনা নুংশিজরবী মাগী মফমদা থম্মোয় শেংনা পীরকপা য়াইফ পাউজেলনি।

মথংদা লৌখৎচগে "নঙগীদি নীংশিং ৱারীনি" হায়বা ময়েক অমা।

কুইনা লোৎলুর' ঈশৈনি
তারো নঙগীদি খুদোলনি
লমন শিংহৌদা চৎখ্রবী
নঙগীদি নীংশিং ৱারীনি॥
নুমিত্তো নুরাগী নফল্লাং
খঙনদ' ঐনা ফল্লিঙৈ
নঙনা তহা চঙলকখি
পাইম পূক্নিং তুজুংখি
থম্মোয় থম্মোয় শকখঙনা
ইকায় নুংশি য়ান্নখি।
নোংমদি কুইরবা মতুংদা
খঙহৌদা থেংনখি লম্বীদা
কোকথক্তা কজেংলৈ লৈতেংনা
দোলাইদা ফল্লকখি নহাক্লা
নহাক্কী য়াইফবা নিজখি
মিৎলুগী পিরাংদি কংখিদে॥

ঈশৈ ময়েক অসিমসু সবজেক্টিভতা ৱাহৈগী লৈচন্দা অতোপ্পা শক্তম অমনি, অইবগী।

ঈশৈ ময়েক অসিগী স্থায়ি।

কুইনা লোৎলুর' ঈশৈনি
তারো নঙগীদি খুদোলনি
লমন শিংহৌদ' চৎখ্রবী
নঙগীদি নীংশিং ৱারীনি॥

"লমন শিংহৌদা চৎখ্রবী, নঙগীদি নীংশিং ৱারীনি" হায়বসিদা নুংশিনা লমন অমা তোল্লি হায়বসি লেংদনা লৈরে, তোল্লিবসি করি লমন্নো হায়বদু অহানবা অন্তরাদা ফোঙদোক্লকই, মসিদা মখোয় অনী অহানবা উন্নবগী থম্মোয়দা ফাওখিবা ইথিল, থম্মোয় থম্মোয়না খঙনখ্রবসু, মহাক্লা ফোঙদোকখিদবগী লমন অমা শিংহৌদনা তোল্লি হায়না লৌবগা লোয়ননা নীংশিং ৱারীনা ঈশৈ ওইনা খুদোল তম্লকপনি।

অইবগী ইমেজরিসি মমাঙঙৈগী হৌখ্রবা মতম অমগী শক্তমদা শাগৎলকই। মতমদুগীদি থকসি-খাসি হায়বসি অসুক্কী মতিক লুনা লৌনরম্মী। খজিক্তং কায়রুবদা শাগৈ অমদি মপুশিং লৈখা তানবগী মশক ওইরম্মী। অদুনা মীপূম খুদিংমক মসি ঙাক্লা চৎনরম্মী। অদুগুম্বা মতমদুদা থকসি খাসি মশক খঙনা পাখঙশিংনা লৈশাবীশিংগী য়ূমদা, নুংথিল নৎত্রগা নুমিদাংদা কোইবসি চৎনরম্মী, মদুগী শক্তমদুনি। নুপীসিগী ময়ূমদা কোইবা লাকপগী অহানবা উন্নবদা থম্মোয় থম্মোয়দা নুংশিগী মমি তানখ্রবনি। অদুবু মতম কুইনা ফোঙদোকপা ঙম্নদ্রিঙৈ, য়াম্না থাজদনা লম্বীদা নুপীসিগী লুহোংবা থিল্লকপা ওইনা থেংনখি। মতাং অসিদা অইবনা য়াম্না হৈশিংনা মতমদুগী লুহোংবগী শক্তমদা ঐখোয়গী নাৎকী মশক ময়েক শেংনা পুশিল্লকই।

**— শঙলাকপম অচৌ শর্ম্মা**